**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI EVENING NEWS SCRIPT AT 7.30 PM**
**(Date: 24-09-2026)**

**সিএম (এল)ঃ** মুখ্য মন্ত্রি য়ুমাম খেমচান্দ সিংহনা ঙসি আই.আই.টি মদ্রাজদা সেমি কন্দক্তর সরফেস মাউন্ট টেকোলোজিগী স্কিল ট্রেনিং তৌনবা খল্লবা মণিপুরগী মাইনোরিতি, ও.বি.সি অমসুং সেদ্যুল কাষ্ট মহৈরোইশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে। মহৈরোইশিং অসি মণিপুর মাইনোরিতিজ এন্দ ইকোনোমিক দিভলপমেন্ট সোসাইতিগী থৌরাং মখাদা খনগৎপনি।

ৱারী শান্নবা অদু ইম্ফালদা মুখ্য মন্ত্রিগী সেক্রেতরিয়েটতা হাইব্রিদ মোদতা পাঙথোকখি। আই.আই.টি মদ্রাজগী ওফিসিয়েল অমসুং ফেকলতিশিং ভিদিও কনফরেন্সকী খুৎথাংদা শরুক য়াখি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়- সেমি কন্দক্তর সেক্তরগী টেকিকেল এস্পেক্ট অসি অখন্নবা ওইরবসু নৌনা থোরক্লিবা লম অসিনা নহারোলদা শিংথানিঙাই ওইনা খুদোংচাবা কয়া পীরি। আই.আই.টি মদ্রাজদা ট্রেনিং তৌরবা মহৈরোইশিংনা মমল য়াম্লবা স্কিল অমসুং এক্সপরিয়েন্স পুরক্তুনা রাজ্য অসিবু চাওখৎহনবদা থৌদাং লৌগনি হায়বগী থাজবা ফোংদোকখি।

থৌরম অদুদা মাইনোরিতি এফ্যারস, ও.বি.সি অমসুং সেদ্যুল কাষ্টকী কম্মিসনার কম সেক্রেতরি আমষ্ট্রোং পামে সু য়াওখি। ভারচুয়েল ওইনা আই.আই.টি মদ্রাজগী দাইরেক্তর প্রোফেসার ভি. কমাকোতি, প্রোফেসার আর, শারাথি অতৈ ফেকলতি মেম্বরশিং অমদি ওফিসিয়েলশিংসু শরুক য়াখি।

**পিআরপি(এল)ঃ** পিপলস রিফোর্মেসন পার্তি (পি.আর.টি) গী প্রসিদেন্ট-এনি দ মংশাতাবমনা হায়রি-মণিপুরদা রাজনীতিগী মায়থোং হোংদোকপদগী মীয়ামগী সেবা তৌবগী পুন্সিগী থাক্তা অওনবা পুরকপনা হেন্না মরুওই খনদুনা দল অসি লিংখৎপনি।

ঙসি ইম্ফালদা পাউমীশিংগা উন্নবা অমসুং মেনিফেষ্টো ফোংবগী থৌরমদা মহাকা হায়-মহাক্কী দল পি.আর.পি অসি মণিপুরগী মীয়ামগীদমক দাইত্ব খঙনা লৈনবগী পান্দমদা রাজ্য অসিদা মরু হুনদুনা শেম্বনি। মহাকা হায়-দল অসি চহি অসিগী ওগষ্ট ১০ দা রেজিষ্টার তৌখিবনি। এন্দি মংশাতাবমনা হায়-মথং চহিদা পাঙথোক্কনি হায়না পান্নরিবা মনিপুর বিধান সভাগী মীখলদা দল অসিগী চপ চাবা মীরেপ পুথোক্নুনা মীখল থেংনগনি। মনিপুরগী হৌজিক ওইরিবা সমস্যাশিং অসি কোকহনবগী অমত্তা ঙাইরবা পান্বেদি, রিজনেল পার্টিশিংনা ওইগনি।

**চুরাচান্দপুর(এল)ঃ** চুরাচান্দপুরগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-কৃষ্ণকুমারনা ঙসি চুরাচান্দপুর টাউন্দ অমসুং তুইবোংদা লৈবা রিলিফ কেম্পশিংদা হকথেংননা চৎতুনা য়েংশিনখ্রে।

দিপ্যুতি কম্মিস্নারগী খোঙচৎ অদুদা রিলিফ সেন্টরশিং অসিদা লৈরিবা আই.দি.পিশিংনা মখোয়না থেংনরিবা খুদোংচাদবশিং দিপ্যুতি কম্মিস্নারদা পাউদমখি। তুংদা, শ্রী কৃষ্ণকুমারনা মৈহৌ লাংপোক্তগী ঙাকথোকবা সেন্টর অহুমদা ফয়ার এক্সতিংগ্যুসরশিং খুৎশিন্নখি। খোঙচৎ অদুগী মনুং চন্না চুরাচান্দপুরগী চীফ মেদিকেল ওফিসার-ডা: পি.ঐচ. হেনখোনেং মাতেগী মীৎয়েং মখাদা ডা: লালবোইনা লুচিংবা মেদিকেল টিম অমনা লেমা লায়েংবগী কেম্প অমসু পাঙথোকখি। লোয়ননা হিদাক লাংথকশিংসু লেমা য়েন্থোকখি।

**সনকল্প (এল)ঃ** প্রধান মন্ত্রি-নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামগী সেবা তৌরকপা চহি ২৫ মপুং ফারকপবু নীংশিংদুনা মহাক্কী মপোক নুমিৎকা মরী লৈননা থাবুম অমা চুপা চথুরিবা সেবা সংকল্প অভিয়ান ঙসিসু তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা পাঙথোকখি।

দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসন ইম্ফাল ৱেষ্টনা শিনদুনা কৈশামথোং বিধান সভা কেন্দ্রগী ওইনা সেবা সংকল্প অভিয়ান ঙসি সেগা রোড থৌদা ভাবোক লৈকাইদা

পাঙথোককখ্রে।

থৌরম অদুদা কেন্দ্র অসিগী এম.এল.এ. নিসিকান্ত সিংহ সাপমনা হায়- প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা মীয়ামগী সেবাগীদমক কৎথোকপগা লোয়ননা পাঙথোক্লিবা থবক থৌরমশিং অসি নীংথিনা নৈনদুনা মহাক্কী খুদুং ইনবা ঙমবা হোৎনগদবনি। প্রধান মন্ত্রিগী লমজিং মখাদা মীচম মীয়ামগী হিংবগী থাক ৱাংখৎহন্নবা পায়খৎলিবা তোঙান তোঙানবা য়াইফ থৌরাংশিংগী কান্নবা মীয়ামনা নীংথিনা লৌনবসু শ্রী নিসিকান্তানা তকশিনখি।

থৌরম অদুদা তোঙান তোঙানবা সরকারগী বিভাগশিংগী সার্ভিস কাউন্টর অমসুং স্তোলশিং হাংদোক্কুনা মীয়ামদা কান্নবশিং ফংহনখি। কেন্দ্র অসিগী মনুংদা লৈবা আশা ৱাকরশিংদা শ্রী নিসিকান্তানা খুদোলপোৎশিং পীদুনা পুকিং থৌগৎখি।

লৈবাক শিনবা থুংনা চথ্থরিবা অভিয়ান অসিগী শরুক অমা ওইনা সেনাপতি দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসনগী মীৎয়েং মখাদা ঙসি রিখুমাই তাফৌ অঙ্গনৱাদি সেন্টরদা অঙ্গন কা উৎসবকী থৌরম পাঙথোকখ্রে।

অঙাং অমসুং মমা ওইবীশিংবু মচি ওইবা চিঞ্জাক পীজনবা অমদি মশা-মউ ফনা থমবগী পান্দমদা পাঙথোকপা থৌরম অসি জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা অঙ্গনৱাদি সেন্টরশিংদসু মখা তানা পাঙথোকখিগনি। ঙসিগী থৌরম অদুদা সেন্টর অদুগী অকোইবদা লৈবা মমা ওইবী, অঙাংশিং, অঙ্গনৱাদি, আশা ৱাকর অমদি খুঞ্জাশিং শরুক য়াখি।

অঙ্গনকা উৎসব থৌরম অসি আই.সি.দি.এস. ফেরজোলনা শিনদুনা পার্বুং, সেনবোন, তিংশুৱং অমসুং মোলনোম খুলদসু পাঙথোকখি। থৌরম অদুদা বিনিফিসরি ২৪৫ রোম শরুক য়াখি।

চুরাচান্দপুর জিলাগী কংবাইদা লৈবা বি.দি.ও. ওফিসতসু অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা তোঙান তোঙানবা বিভাগশিংগী সেবা সেটু অভিয়ান কেম্প পাঙথোকখি। কেম্প অদুদা হকশেল, সোসিএল সেক্যুরিতি, লৌউ শিংউ,

হোর্টিকলচর, ফিসরিজ অমসুং তঙাইফদবা চে-চাংশিং মীয়ামদা অরাইবা মওংদা ফংহনখি।

জিরিবাম জিলাদসু সেবা সংকল্প অভিয়ানগী শরুক অমা ওইনা মহৈরোইশিংগী ওইবা লাই য়েকপা অমদি রচনা ইবা চাংদমবা পাঙথোকখি।

**ব্লড (এল)ঃ** করাম শ্যাম এম.এল.এনা হায়রি-থকশি খাশি, লৌশিং-গ্যান লৈবা অমদি কৎথোকপা ঙম্বা নহারোলশিংগী মশিং য়াম্লবা মতমদা হেন্না চাউখৎপা খুন্নাই অমা শেম্বা ঙমগনি।

মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ওদিটোরিয়মদা ঙসি সেবা সংকল্প অভিয়ানগী মখাদা পাঙথোকপা ৫৬ শুবা মাই ভারত-এন.এস.এস. ফাউন্দেসন-২০২৬-মেগা ব্লড দোনেসন কেম্পকী থৌরমদা শরুক য়ারদুনা শ্রী শ্যামনা হায়-মীওইবনা তৌরিবা দানশিংগী মনুংদা ঈ দান তৌবা অসি খ্বাইদগী মমল য়াম্বা দাননি। এন.এস.এসকী ভোলুন্টিয়ারশিংনা থোরক্তুনা ঈ দান তৌরিবা অসি থাগৎনিংঙাইনি। পীক্লিঙৈ মতমদগী খুন্নাইগীদমক অফবা তৌবগী ৱাখল্লোননা হৈনবী ওইদুনা লাক্লবদি তুংদা জাতিগী অচংবা য়ুম্বী ওইদুনা হেন্না ফবা খুন্নাই অমা শেমগৎপদা শরুক য়াবা ঙমগনি।

থৌরম অদুদা মনিপুর য়ুনিভরসিতিগী ভাইস চাঞ্চেল্লর প্রোফেসার-আর.কে. হেমাকুমার অমসুং য়ুথ এফিয়ার্স এন্দ স্পোর্টসকী সেক্রেটরি-নাউরেম প্রবিন শরুক য়াখি।

**পুলিস(এল)ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা রাজ্য অসিগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা লেপ্তুনা থিবা হুম্বগী থবক চত্থরি।

পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী সৈজাং চৈরাউ চীংগী অকোইবদা মফমশিংদা থিবা হুম্বগী থবক চত্থবদা য়াম্লবা খুৎশু খু ৎলায়শিং ফাগৎলে। খুৎলাশিং অদুগী মনুংদা-টুয়েল্ব বোর নোংমৈ তরুক, মেগজিনগা

লোয়ননা নাইন এম.এম. পিষ্টোল অমা, হেন্দ গ্রেনেদ অনি, টু ইঞ্চ মোটোর সেল অনি অমসুং ফিফতি ৱান এম.এমগী মোটোর সেল অমা, পোকখায়বা য়াবা বোমগী মচাকশিং য়াওরি।

মনিপুর পুলিসনা লিলোং তুরেল খুলদগী ইকুই কুইদ্রিঙৈ মমাংদা মহাবলি মন্দির মনাক্তগী মাঙখিবা হোন্দা এক্তিভা অমা ফংলে হায়রি। গাড়ি অসি মপুদা শিন্নখ্রে হায়রি।

অমরোমদা, মনিপুর পুলিসকী এস.পি. (প্রোজিক্যুসন) না শিন্দুনা ঙসি পিতমবারা ইংলিস স্কুলদা কম্ম্যুনিতি আউটরিটচ প্রোগ্রাম অমা পাঙথোকখ্রে। থৌরম অদু পুলিস অমদি মীয়াম, মরুওইনা মহৈরোইশিংগী মরক্তা অফবা মরী থমবা অমসুং পুলিসনা রাজ্য অসিগী শান্তি রক্সাগী ফিভম ঙাকপদা মীয়ামনা তেংবাংবীনবা পাঙথোকখিবনি। থৌরমগী শরুক অমা ওইনা ভারত্তিয়া নিয়ায়া সংহিতা (বি.এন.এস), দ্রগ এব্যুস, সাইভর ক্রাইম অমসুং পোক্সো এক্টকী মতাংদা মহৈরোইশিংগা খঙহনখি।

**চান্দেল (এল)ঃ** চান্দেলদা ওপরেসন থন্দর স্ত্রোম চত্থদুনা লমলক্কী শা-উচেকশিং হাৎপা অমসুং য়োনবা মফমশিং থিবা হুন্সবগী থবক চত্থখ্রে।

ঐখোয়গী চান্দেল পাউমীনা-জিরে মোয়োননা হায়-ওপরেসন থন্দর স্ত্রোম অসি চান্দেল ফোরেষ্ট রেঞ্জ অমসুং মনিপুর পুলিসনা পুন্না খুৎশমদুনা চত্থবনি। জিলা অসিগী মনুং চন্না লৈবা মফমশিংদা লমলক্কী শা-উচেকশিং হাৎপা অমদি য়োনবগী থবক পাক শন্না চত্থরে হায়বা সরকারনা পাউ ফংবদগী খোঙথাং অসি পায়খৎলকপনি। মথং থাগী অনিদগী ৮ ফাওবা চত্থগদৌরিবা ৱাইল্ড লাইফ পালন থৌরমগী মনুং চন্না জিলা অসিগী তোঙান তোঙানবা সব-দিভিজনশিংদা ওপরেসন থন্দর অসি চত্থগনি। মীয়ামসু লমলক্কী শা-উচেকশিং হাৎপা অমদি য়োনবগী থবক তৌবীদনবা মরী লৈনবশিংনা আপিল তৌরি।

**নোনে (এল)ঃ** নোনে জিলাগী লোংমাই পার্ট ৱানদগী ন্যু দি.সি. ওফিস কমপ্লেক্স তাখিবা লম্বী মীয়ামনা শেমজিনবগী থবক চথুরি।

মফম অসিগী মীয়ামনা লম্বী অসিগী ফিভম ফত্তবনা মরম ওইদুনা অৱাবা কয়া মায়োকবদগী সরকারগী মতেং ঙায়দনা মীয়ামনা লম্বী শেমজিনবনি।

**হিয়াংথাং (এল)ঃ** হিয়াংথাং লাইরেম্বী, লাক্লিবা থাংজ, লাংবনগী পুর্ণিমা নুমিৎ অসি লাইগী থোং হাংগনি।

হিয়াংথাং লাইরেম্বী দিবলপমেন্ট সেবা কমিতিগী সেক্রেটরিনা থোকপা চেরোল অমনা হায়-লাক্লিবা নোংমাইজিং তর্পন হৌবা নুমিৎ, মথং থাগী তরেৎ অমসুং ১০, তর্পন লোইবা নুমিৎশিং অসিদা মন্দির থোং হাংগনি। নুমিৎশিং অসিদা মীয়ামনা লাইরেম্বীগী থৌগল তৌবীবা য়াগনি।

**সনামহি (এল)ঃ** লাইনিংথৌ সনামহি টেম্পল বোর্ডনা শিনদুনা খেনচংলোন ইবা মাইচৌ কোনোগ থেংগ্রাবু নীংশিংদুনা অনিশুবা ওইনা খেনচংলোনগী মরু হুনবা নুমিৎ থৌরম ঙসি পাঙথোকখ্রে।

লাইনিংথৌ সনামহি শঙলেন্দা পাঙথোকপা থৌরম অদুদা খেনচংলোনগী শিনফমদা মতম শাংনা থৌগল তৌরক্লবা মীওই ১৪ দা মাইচৌ কোনোগ থেংগ্রা নিংশিং মনা পীদুনা ইকায় খুমখি। লোয়ননা খেনচংলোন লোইশঙনা এস্ত্রো থেংগ্রা টেন পোইন্ট ৱান কোবা কুঠি ইনবা অমদি য়েংনবা য়াওবা সোব ৱয়ার অমসু পুথোকখি।

**গার্দ (এল)ঃ** গৃহ মন্ত্রালয়না রাজ্য অমদি য়ুনিয়ন টেরিটোরিশিংদা খঙহল্লকপগী মতুং ইন্না রাজ্য সরকারগী গ্রুপ (সি) অমসুং গ্রুপ (দি) গী থবক লৌবদা হোম গার্দ পার্সোনেলশিংদা খুদোংচাবা পীনবা তঙাইফদবা থৌরাংশিং থা অহুমগী মনুংদা পায়খৎনবা হায় কোর্ট ওফ মনিপুরনা মরী লৈনবশিংদা খঙহনখ্রে।

হীরম অসিগী মতাংদা মনিপুর হোম গার্দ ইমপ্লোয়িজ ৱেলফিয়ার এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্টনা কোর্টতা থাংগৎলকখিবা ৱাকৎ অমগী মতাংদা থা অসিগী ২২ দা খন্নখি। কোর্টনা কম্মিস্নার (হোম) না এসোসিয়েসনগী রিপ্রজেন্টসন অদু নীংথিনা য়েংশিনদুনা আইনগী ওইবা কাংলোনশিং শেমবসু খঙহনখি।

**হেল্প নম্বর (এল)ঃ** রাজ্যগী সোসিএল ৱেলফিয়ার দিপার্টমেন্টকী ৱিমেন হেল্প লাইন নম্বর-181 য়াখিদবদগী অতোপ্পা নম্বর ওইনা মোবাইল নম্বর-700-577-6144 অসি শিজিন্নরগনি। চাইল্ড হেল্প লাইন নম্বর-1098 সু য়াখিদবদগী মোবাইল নম্বর-811-991-8257 অসি অতোপ্পা নম্বর ওইনা শিজিন্নরগনি হায়রি।

ৱাফম অসি দিপার্টমেন্ট অসিগী দাইরেক্তরনা থোকপা চেরোল অমদা খঙহল্লকপনি।

**বেঙ্কঃ** শেল থুম মন্ত্রালয়না হায়রি-পব্লিক সেক্তর বেঙ্ক অমসুং রিজনেল রুরেল বেঙ্ক পুমমক থা অসিগী ২৭, নোংমাইজিং নুমিৎতা থোং হাংগনি। মসি মীয়ামগী খুদোংচানবনি।

মন্ত্রালয় অসিনা হায়-য়ুনাইটেদ ফোরম ওফ বেঙ্ক য়ুনিয়ন্সনা থা অসিগী ২৮ দগী ৩০ ফাওবা লৈবাক শিনবা থুংনা নুমিৎ হুমনি বেঙ্ক ষ্ট্রাইক তৌগনি হায়রিবা অদুগী য়েংলগা অমসুং চয়োল লোইরকপগী ছুতি ওইবা সেপ্তেম্বর ২৬ অমসুং ২৭ কা চুংশিন্ননা থৌরাং অসি লৌখৎপনি।

মন্ত্রালয়না হায়-বেঙ্ককী ব্রান্স, ওফিস, এ.টি.এম. লিঙ্ক ব্রান্সশিং অমসুং করেন্সি চেস্ত পুমমক নোংমাইজিং নুমিৎতা মথৌ তৌনবা রিজার্ব বেঙ্ক ওফ ইন্দিয়ানা অয়াবা পীরে। মন্ত্রালয় অসিনা হায়-সরকার অমসুং বেঙ্ক মেনেজমেন্টশিংনা য়ুনিয়নশিং অসিদা মখোয়গী ষ্ট্রাইক অসি য়ৈথোকপীনবা আপিল তৌখ্রে অমসুং তঙাইফদবা বেঙ্ককী সার্ভিসশিং অয়েৎ অপন য়াওদনা চথনবা

থৌরাংশিংসু লৌখৎলে।

**এসিয়ান (এল)ঃ** জপান এসিয়ান গেমসতা মনিপুরগী শান্নরোই অনি ৱেথলিফটর-সাইখোম মিরাবাই চনু অমসুং ৱুশু শান্নরোই-নাউরেম রোসিবিনা দেবীনা গেমস অসিদা লুপাগী তকমান লৌরকপদা মনিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসননা নুংঙাইবা ফোংদোরক্লি।

ইম্ফালগী খুন্মন লম্পাক্তা লৈবা ওলিম্পিক ভাবনদা পাঙথোকপা পাউমীশিং উন্নবগী থৌরমদা মনিপুর ওলিম্পিক এসোসিয়েসনগী প্রসিদেন্ট-সুনিল এলাংবমনা হায়-হন্দক্কী গেমস অসিদা মনিপুরগী শান্নরোই ৩৫ অমসুং ওফিসিএল মরি শরুক য়ারি। মহাকা হায়-সেপাক তাক্রৌ, নুপা অমসুং নুপীগী হোকি অমদি সাইক্লিং ইভেন্টতা মনিপুরগী শান্নরোইশিংনা শোইদনমক্কী তকমান লৌরক্কনি হায়বগী থাজবা লৈ।

সুনিলনা হায়-মীশিং য়ামজদবা রাজ্য অসিনা শান্ন খোৎনবগী লমদা লৌরিবা থৌদাং অমসুং তকমান ফংল্লক্লিবশিং অসিবু পুকিং থৌগৎপা ওইনা মতিক চাবা ইনসেন্টিব পীহন্নিংই। শান্নরোইশিংদা নত্তনা মখোয় মখোয়গী কোর্চশিংদসু ইনসেন্টিব পীবিদুনা পুকিং থৌগৎনিংই।

মহাকা হায়-নাউরেম রোসিবিনা এসিয়ান গেমসতা থংন-থংননা তকমান অহুলক ফংবা শান্নরোই ওইরি। জপানদা লৈরিবা মীরাবাই চনুগা পাউমীশিংগা ৱারী শান্নবদা মীরাবাইনা হায়-এসিয়ান গেমসতা তকমান ফংল্লকপা অসিনা মহাকা মতম কুইনদগী মংজরকপা মংলান অদু মংফাওনরে। তুংদা হৌরক্লিবা শান্নরোইশিংবু হেন্না পুকিং থৌগৎপীদুনা অফবা শান্নরোই পুথোকবা হোৎনমীন্নরসি।

**ফুটবোলঃ** এইম-খাবমনা অহানবা গীফ রাইখান মোরিএল ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬-২৭ কী ৱিন্নর ওইরে।

ঙসি ইম্ফালগী খুন্মন লম্পাক ম্যেন ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা ফাইনেল মেটচতা এইমনা অতফাবু পাঞ্জল ২-১ দা থোইদুনা টুর্নামেন্ট অসিগী মপু ওইখিবনি। এইমগী মায় পাকপগী পাঞ্জলশি অদু এন.নেনালদো অমসু টি.ঐচ. অমুজাউনা চনখি।

**ফুটবোলঃ** মাও ষ্টুদেন্টস য়ুনিয়ননা মাও ফুটবোল এসোসিয়েসনগা খুৎশমনা শিন্দুনা চথরিবা মাও মার্টিয়রস ত্রোফি ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা-মখান সেন্টরনা চকুমাইবু পাঞ্জল ৬-১ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা-চৱানামৈ খুল্লেননা চৱানামৈ খুনৌবু পাঞ্জল ৫-১ দা থোইখি।

**ফুটবোলঃ** ২২ শুবা কে.কে. মেমোরিএল ফার্ষ্ট দিভিজন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০২৬ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা এস.এফ.সি.-সোরানা দি.ৱাই.এ. এলাংখাংপোকপীবু পাঞ্জল ৪-২ দা থোইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা য়ু.বি.এস.এ. মন্তকনা পি.এফ.সি. তোকপা চিংবু পাঞ্জল ৩-১ দা থোইখি।

**হোকিঃ** অহুমশুবা দি.জি. অসাম রাইফল হোকি কপ ২০২৬ কী ঙসি খুমন লম্পাক হোকি ষ্টেদিয়মদা শান্নখিবা মেটচতা-হোকি য়ুনিয়ন লাইরিকয়েংবম লৈকাই অমসুং এম.পি.এস.সি. মনিপুর পুলিস পাঞ্জল ৩-৩ চন্নদুনা দ্রো ওইখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা অতোপ্পা মেটচ অমদনা-মৈরা বাসিখোংনা ৱাই.সি.সি.আই. অহল্লুপপু পাঞ্জল ৮-২ অমসুং টি.ঐচ.এ. থৌবালনা ৱাই.সি.সি.আই.সি. অহল্লুপপু পাঞ্জল ৬-২ থোইখি।